> "ইখূৎনা থাজে ইনশাংদো, ইখূৎনা তন্না হেকচৈদো, নুংঙাইবনি ইনিংতম্বদো।"
> - *হিজম অঙাংহল*
> *('ঐগী' শৈরেংদগী)*

শৈরেং

## ওজা তোলহন

—এম নিলকুমারি

পুন্সি লীলা ফম্বাকসে
ওজা তোলহনসু
মন্ত্রি দোলানসনা ওইখি।
হরাওমন্দুনা অচৌ অশাংগী
ৱাহং পাউখুম ওন্নরুবদগী
মন্ত্রি ফম লৌথোকপীরকপদগী,
সিলিং ফেন-মনুং চঙফম মপান থোকফম
কুমুদ ফাওবা ফক্কাইদুনা পুরক্লমই।
মন্ত্রি হায়বসি নুংঙাইবা ওইবজাৎনি।
লমজেল চেনবা ৱাকিং চৎপা হুই-হা হুই-হা
'বাপুজি' ইপু গান্ধী নশুনা
ফজনা শেমগৎচবা ঙমজদ্রেকো :
ওজা তোলহন তোলোপ ফংদে;
লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদবা স্কুল ওইবনা
ধারা'কয়া ক্লাসকী মথোং হুক্তবা রুতিন কয়া
মীওইবগী পুন্সিনি ময়াম অমসু লৈরি।
লৈঙাক্কী সাসনদি অঙন্বনি অঙন্বা।
মরি চৎখি মরি হল্লকই -অনী হল্লকই ৱারদুনা
অদুক লুনা খল্লুদ্রবসু দ্রো চৎলে পাঞ্জল মান্নে
মীয়াম মীনি অপং-পংদা কয়ানি।
মান্নদবা মীহুৎকী মান্নদবা ৱায়েলনি।
হায়সিরা-হায়গুমসিরা মন্ত্রি দোলানসনাগী
শুমাং কুম্মৈনা হেন্না নুংঙাই মীয়াম নোকই!

## মহাত্মা

—ডো. অকোইজম ইবোহল

মেঙনা লাকপা মেরা থাগী
লুপা অহিংবা ফুদোংলবা
থাজ থানিলগী ঈপোমগা
ইরোইননা য়ৌরক্লবদা নহাক্কী
১৫০শুবা মপোক কুমওন
কচ্চরি নফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি
ভারত ইমাগী অথোইবা মপারি
'জাতিগী মপা' হে বাপু;
অচুম্বা, শান্তি, অহিংসাগী
য়োৎশবী মখোঙ অহুমদা
ৱাংলবা হিমালয় চীংজাউগুম
খোঙফম চেৎনা লেপখিবা
ধ্রুব তরানি নহাক্তি অতাঙবা!
নহাক্কী লুচিং মখাদনি
অংগ্রেজ লোইলম লৈঙাক্লা
শামায় লৈদুনা চৎখিবা;
নহাক্কী ফিদম্নফম ওইরবা
অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোনগী
মশেক মঙালদি অরংবা
থোইনা হেন্না মগুন হেনগৎলক্লি
মতম্না অসুম কুইরক্লগা
নুমিৎ থানা লৈরিমখৈদি
মুৎনাইদনা লৈহৌরগনি তাইবঙদা
নহাক্কী মিংলেন অথোইবা;
চীনগা খূৎকা মান্নরক্ত্রবা
অকনবনা অশোনববু তুহৎপীরবা
অৱাংবা ফুরুপনা অনেম্বা ফুরুপকী
হিংবগী হক খোঙ্গাউনবীরবা,
অনৈবা ঈশিংনা ময়াদা
অরুবা ঈশিংনা মতাইদা
চেল্লিবা মতৌসি উরগা
মিৎলুদা পিরাং শিন্থরমগনি নহাক্তি;
চক চক খুদিংদা
পোকপীরক্তুনা অমুক নৌহৌননা
হনবীরকউ মীওইবা খুন্নাইলক্তা,
লমজিং লমতাকপীরখো
লম্বী লম্মুক্লরবা নরোই ননাউশিংবু
খূজেং পালোইনবীদুনা
অচুম্বা লম্বীদা পুবীয়ু
অচুম্বগীদমক্তা লেপখিবা হে মহাত্মা!

## মতমবু ঙাইরদুনা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

করিনো ঐনা থল্লমগদবা
থিরিঙৈ হৌখ্রে মতম
কনাসু ঙাইবীদে মানদি
পুন্সিগী পন্থুংফমদি
তরং-তরং উরকপগুম তৌরক্লে।
তুংগী মীরোলনা হঙ্গৎনা
য়েংলকপদা উগদবা মশক অদো
খল্লিঙৈ, হৌখ্রে মতম অদো।
মাঙগী লম্বীদি তেনশিল্লক
ঙাইরিনে ঙসিসু
তুংগী থল্লমগদবা
করিনো খঙদ্রিঙৈ,
ময়াগী পুন্সি খোঙচৎ
অসিদা চৎলিঙৈ,
হকচাং পোলাং অসি
থাদোক্ত্রি ফাওবা
ঙসিসু লৈরি
মতম মাবু ঙাইরদুনা।

## নঙনা হনখিবা মতুংদা

**(লময়ানবা হিজম ইরাবত্তা কচ্চবা)**

—খোইস্নাম মংগল

শাংলবা চহী কয়া মতুংসিদা
ঙসিসু হল্লকপা লৈতে
চৎখিবা কোরৌ নুমিৎ অমত্তসু
য়েংঙু কয়াদা চুল্লবনো
নঙনা হায়খিবদো,
নখূৎনা পামজনা য়েকখিবা
শাগৎখিবা মংলানশিং
নঙনা হনখিবদা
ইচিক হুনখি
লাপ্পদগী তারম্বা খোল্লাউ
মীচং লৈজদবশিংগী
ৱা ঙাঙনবা
কনা লৈতে হৌজিক্তি।
নঙনা য়েকখিবা
নমা লৈবাক্কী ফজরবা শক্তম
চীনগা খূৎকা মান্নদবা
মপারি নমোমশিংগী
মীনম্বা ৱাখল্লোন্দা
ঙসিদি মরাই চাইথরক্লে
মায়কৈ খঙদনা হল্লক্লিবা
মশক উদবা
নুংশিৎকী চৈখাদা
কপ্লি থৱায় পাম্মুবনা
শাৎকাইরবা লৌবুক্কী
ফৌ চরোংশিং
নীংতম্না শাৎপা ঙমজদ্রে।
য়েংলিব্রা নঙবু
লাপ্পদগী
নমা লৈবাক্কী
মীমান্নদ্রবা শক্তম,
নঙনা হনখিবদা
মপী মপা লৈতবগুম
মরাই লুকথখ্রে
আশাগী ময়োলশিং
কনা লৈজদবশিংগী
তাখিদবা কুইরে
অপূনবগী খোল্লাউ
নঙনা চৎখিবা মতুং
খুনাল তারবা নঙগী
খোঙ্গুল দাগফমশিংদা
ঙাইরি মৈতৈ ইমানা
নুমিৎ খুদিং
চাইথরবা শল্লাং
খোমগৎপা লৈতনা
ফৌনাশিংনা হাই হুম্না
শাৎপা ঙমজদ্রবা লমদমসিদা
অনৌবা ঈহৌ অমগীদমক
দিসেম্বর কয়া হৌখ্রে
অদুবু লাকপা লৈতে
দিসেম্বর ১২দি।

## ওইজ-নীংঙাই

—রাজকুমারি মীনা

অঙাংবনি অঙাংবা ঐগীদি
অঙাংবনি অঙাংবা মাগীসু
নখোয়সু মখোয়সু চপ মান্নে
পূম্নমক অঙাংবগী অঙাংবা ঙাক্তনি।
অদুদি হায়য়ু নহাকসু অমুক্তং
পীরকউ পাউখুম নখোয়না পূন্না
অঙৌবা, অশংবা, মচু অতৈ অতৈ
য়াওদ্রবরা অপাম্বা কনামত্তা?
মতম চানা, মফম চুম্না
শীজিন্নবীরবদি মচু অতৈশিংসে
হেনগৎতুনা লৈশক-লৈচু মখোয়গীসু
লৈবনি মদুগী তোঙান-তোঙানবা
শিংথানিংঙাই ওইবা কান্নবা কয়া।
কদদৌনা পীয়ু তকশিল্লিবনো
কোন্নদরে অঙাংবসে নখোয়বু
হায়নিংদে কনাবুসু ৱাখল লৈতবনি,
উহল্লোইসি কনাবুসু মপান থোক্লা
খলহল্লোয়সি ঐখোয়সে মথা য়াওদবনি
খজিক্তংদি তপথখিসি কৈদৌবগে!
হেঙ্গৎনবা অমুক হন্না হোৎনরবসু
মালংদা লীরি তেঞ্জৈ থাংবগুম
পন্থুংফম লৈররোয়দ্রবা আশাদো
লংশেকখ্রসি অমত্তা খাক্তনা
য়াইফবা ওইনা পূম্নমক্কী।
মতুং তাবদদি অঙাংবগী মশিংসে
হেঙ্গৎলগে, হেঙ্গৎলগে শোয়দনা
লোইশিল্লসি হন্দক্কীদি কৈদৌবগে
কান্নররোই তৌদুনা ওইরোইদবদা
খাঙবদা ৱারবা ওইজ-নীংঙাই নখোয়গী!

## নঙদি লৈনি

—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম

নঙদি লৈনি
থোৎলবী লৈনানা য়োল্লিবী
কল্লবা মালংগী শাহুল্লক্তা শাৎচরিবী
তগোম তগোম শাৎলুরে
চোইজাইননা কেন্দৌরি লৈমায়থক্তা
চেকশিন খোইজিনজবনা ওইরি নঙগী ঙাক্লৌ।
নঙদি লৈনি,
তনৌরবী লৈয়োমনুংদা লোৎচরিবী,
ফজবা লৈশাৎ উৎল-উৎলগা
মীনা পাম্নবা হেল্লিবী,
নুংশিবা লৈনম শন্দোক-শন্দোক্লগা
মীনা খোয়দাবা হেল্লিবী।

মালংগী শাহুম কল্লি,
চোইজাইননা কেনগনি কিদুনা
কয়া কুইনা লোৎতুনা লৈগনি
লৈয়োমনুংদা নঙনা,

শাৎলু-শাৎলু লৈরাং
ফজবা লৈশক উৎতুনা
পেলহল্লু-পেলহল্লু উজবশিংগী পূক্লিং
নুংশিবা লৈনম শন্দোক্তুনা;
মদুনা লৈ নঙগী শেংলবা ধর্ম্মনি।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# শগোলশেম ইন্দ্রমনি ঙসিগী মীরোলগী লময়ানবা ইরাবত অমা

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী নীংশিং থৌরম থাবুম অমা পাংথোকপা লোইখ্রে। ঙসিগী মণিপুরী মীয়াম, লময়ানবা ইরাবতকী মিং তানদবা য়াওদ্রে। মহাক্কী মরমদা খঙদবা নৈনদবা মীশু পংলে লৈরম্লরোই। লাংবন থা অসি মহৌশাদগী হৌনা লময়ানবা ইরাবতকী থা ওইনা মীয়ামগী পূক্লিং ৱাখলদা লোয়নরকই। মাইকৈ খুদিংমক্তা মহাক্কী মরম ঙাক্তনি। ঐখোয়গী পূক্লিং ৱাখল, থাংলিবা খোংথাং খুদিংদা লময়ানবা ইরাবোৎকী মরমদা খল্লগা লৈখি। মশক নাইবা, মীয়ামগী খনবা, কৎথোকপা ঙম্বা মীসি পংলে লৈতে। মীয়ামগী খনবা মীসি কনানো হায়না ঐখোয়না থিদুনা খঙবসু ৱাৎলি। ফিদম্নফম ওইরবা মখোয়গী মতৌ,মখোয়না চৎখিবা লম্বী অদুদা ঐখোয়সু তুংইন্দুনা চৎচবা ঙম্লগদি পূন্না চাউখৎপা লমদম অমা ওইগনি।

ওইজবা থাদোকপা, মীয়ামগী খনবা, মীগী মপাল তাংদনা, শূ-নোম্লগা হকচাং ফনা পুন্সি তোলোয়না লৈবা হায়বসিবু ঙাক্লা চৎপা ঙম্লগদি ঐখোয় নুংশিনরোইদবা,নুংঙাইনা পানবা লমদম অমা হায়বদু ওইরোইদবগী ৱা লৈতে। ঐখোয়গী অহল লমনশিংনদি পাউতাকশিং অসি মচা মশু ওইবশিংদা ঙল্লিঙৈদগী পীদুনতা অদুম লাকই।ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা খজিক্তং থেঙনা হৌগৎপদা অহলশিংনা ঙাঙঙি, নুমিৎনা নশাবু নমহনগনু ৱাহৈশিং অসি তাকপীখি। য়ুমদা থেঙনা হঞ্জিনবদা য়ারক্তে । ঙসিগী মীরোল অসিদদি অহল লমন মমা মপা ওইবনা মচা মশূশিংদা অসিগুম্বা ৱাহৈ হায়বা তাখিদ্রে । লমচৎ শাজৎ ফজনবা, থকসি খাসি ঙাক্লা মহৈ মশিং তমদুনা অহল লমন মশক খঙনা চৎলু হায়না তাকপীনবা মী লৈরকত্রে। অহল লমন্না ফনবা হায়বদা ওনখৎতুনা খুমলকপা, মথক থোংবদা 'নঙ-মা' হায়বা নহারোলশিং মশীং য়াম্না হেনগৎলকপগুম উরি। লম্বীদা লাকপদা থৈদোক্তবা, কৌরমদবা, কৌরুবদা নীংথিনা খুন্বীদবা কয়া য়াওরকপনা অহল লমনশিংনা মচা মশূশিংদা ৱা ঙাঙনিংলক্তবা ওইগনি খঞ্জে।

মসিনা ৱাফম অমা ওইখিসনু ।নাকল অমরোমদনা অমুক, ঐখোয়না য়ুম্লিং কৈরিংদুনা ঐগী ঐগী হায়না য়ুম পান্নরগসু কৈরোই লৈকাই,খুন হায়বা অমা অমুক লৈরি। হিংমিন্নরিবা লৈমিন্নরিবা ময়াম অসি মাগী মাগীখক্তা খন্নরগা লৈবা য়াদে কাঙলুপ অমা হায়বসি লৈরগদি,শেন্নবা, লমজিংবা,লুচিংবা অমা চঙলকই। লুচিংবা য়াওদ্রগদি অপূনবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা ঙমদে। লুচিংবা হায়বা অসি লাকপসিদদি মীশক খনবা তারকই। লুচিংবসিবু ঐনা ওইগে হেক মহায়বা য়াব্রা ? লুচিংবদি মীয়াম্না খনগদবনি। মহাক্কী লমচৎ, থবক থৌরম, মতীক ময়াই, খোলৈ খোন্দা নুংশিবা চংঙি। খ্বাইদগী মরুওইবদি কৎথোকপা, ওইজবা থাদোকপা মীনুংশি লৈবা মীদা মীয়াম্না লুচিংবা ওইহনবা পাম্মী । অসিগুম্বা অসি ঐখোয়গী ইরক্তা ঙল্লিঙৈদগী হৌনা য়াম্না তাঙনা য়াওরকই। মীয়ামগী ওইবা মতীক চাবা লুচিংবা হায়বসি লৈরক্তবা মতমদা পেন্দবদগী কনাগুম্বনা মহাক্লা হান্নদগী হোৎনজরম্বা শিনফম অদু থাদোক্লগা মহাক মশা ভোট লেপ্পগে, মীয়ামগী লুচিংবা ওইরগে খন্দুনা চোংথোকলকখিবা লৈখি। অদুগুম্বা মীশক অদু ভোটতি কাগন্দে ।

ৱাফমসি ঐনা লৌখৎচবগী মরমদি শগোলশেম ইন্দ্রমনি, ময়াম্না ওঝা ইন্দ্রমনি হায়না খঙনবা, ইকায়খুম্নজরিবা অহল ইবুংঙো অসি হৌজিক্কী মীরোলনা মিংদি খর খরা তানরে হায়ববু পাক শন্না খঙনখিদে। খরা ঙল্লিঙৈ মতমদদি মহাকপু খঙদবা মী লৈখিদে । অশেংবা ময়ামগী ওঝানি, ওঝা শগোলশেম ইন্দ্রমনি হায়বগা লোয়নমক্লা খঙখি। ওঝা ইন্দ্রমনিগী মরমদা 'নুংশিবা লৈনম' কৌবা ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমনা খোমজিনবা লাইরিক অমা নৈনবগীদমক পাজরুবদা হেন্না খঙলকপা ঙমখি । লাইরিক অসি চহী হৌরকপা মার্চ ২২, ২০২০ দা ফোঙনবা থৌরাং তৌখিবনি মালেমগী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ফোঙদোকপা য়াদনা লৈখি । হন্দক্তি তঙাই ফদনা ফোঙদোক্তবা য়াদবা লাকপদগী সেপ্টেম্বর ৩, ২০২০ অসিদা অহল ইবুংঙো অসিগী পোক্লফম লমদমগী মফম অমদা মশকনাইবা অইবা অইবী কয়া য়াওনা ফোঙদোকখ্রে । অহল ইবুংঙোগী পুন্সি অমদি থবক্কা মরী লৈননা ফোঙবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদা শরুক য়াজরুবদগী ফংলপা, খঙলকপা কান্নবশিং অদুগী মপাউ তামজনিংমনখিবদগী ফোংদোকচবনি। অহল ইবুংঙো শগোলশেম ইন্দ্রমনিগী পুন্সি অমদি থবক্কী মরমদা নৈনরকপদা লময়ানবা ইরাবত নীংশিংঙি । লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখলগা মান্নবা কয়া মহাক্কী মফমদা য়াওখি অমদি পাংথোকখিবা থবক থৌরমশিং নৈনজরুবদা ঙসিগী মীরোলসিদা অতোপ্পা লময়ানবা ইরাবোত অমা চোংথোকলকপগুম উজরকই। হায়নিংঙি, হায়দবা ঙল্লোইদৌরি শগোলশেম ইন্দ্রমনি ঙসিগী মীরোলগী লময়াম্বা ইরাবোতনি। লময়ানবা ইরাবতনা তৌরম্বা থবক্তগী তাদনা মাইকৈ কয়ামুক্তা মণিপুরগী তুংদা হৌরক্লিবা নহারোলশিংগীদমক খল্লগা থবক কয়া পাংথোকপীরম্মী। শগোলশেম ইন্দ্রমনিগী ৱাখল্লোনগা লময়ানবা ইরাবতকী থবক থৌরমশিংগা মান্নরুবদনি মহাক লময়ানবা ইরাবোতকী তুংইনবদি নৎখিদে ।

মী অমগী পূন্সিদা হিংবদা চঙলিবসি অহানবদা মরুওইনা চানবনি। মহত্মা গান্ধীনা হায়খিবা চাননবা হিংবদি নত্তে, হিংননবা চাবনি ৱাফমসি ইকায়খুম্নজরিবা লময়ানবা ইরাবত অমদি শগোলশেম ইন্দ্রমনিগী ৱাখল্লোনশিং অসিগা লোয়ননা ঐখোয় কূপ্থনা অমুক হন্না নৈনবা চংঙি। 'নুংশিবা লৈনম' কৌবা ওকেন্দ্র খুন্দোংবম্না খোমজিন্দুনা পুথোক্লিবা লাইরিক অসিদা ইকায়খুম্নজরিবা অহল ইবুংঙো শগোলশেম ইন্দ্রমনিগী মরমদা মীওই কয়ানা তোঙান তোঙানবা হীরমদা, ফংলকপা ৱারী ৱাখোংশিং, মহাক্কী মরমদা শৈথাজবা শৈরেংশিং অমদি শগোলশেম ইন্দ্রমনি মশানা ইরম্বা শৈরেং খরসু অখন্নবা ফোঙবা লাইরিক অসিদা য়াওরি । মপূং ফারবা পুন্সি ৱারীগী লাইরিকমক্তি ওইদ্রি অদবু শগোলশেম ইন্দ্রমনি কনানো মহাক্লা লমদমসিগী মীয়ামগীদমক করি তৌরম্মী হায়বা অসিমদি ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্মী।

শগোলশেম ওঝা ইন্দ্রমনিবু ময়াম্না খঙনখিবসি শাফবা, শাজেল কাংলোনগী লমদা, মনা মশিংনা, লায়েংবগী লমদা, শান্ন-খোৎনবগী মাইকৈদনা হেন্না খঙনৈ। চঙশিন্নদুনা নৈনরুরগদি মহাক্লা শোকলমদবা থেংলমদবা হীরম লৈরমদে। চুমনগী কাবাদি শান্নবদা তানফম থোকপগী শান্নরোই মী অমত্তা শোকলমদনা লাইন য়ৌনবা খোংনা থেংলম্বদু নৎখিদে । মশক থোক্লা লুচিংবা অমা হেক্তা ওইরম্মী। ঙসি মীয়াম্না লুম্না লৌনরিবা নৈনবগী লম্বীদা য়ূম্বী মখোং অমা ওইরিবা জর্নেলিজম হৌদোকপদা চাউনা শরুক য়াখি। এডল্ট এদুকেসন, লাইরিক তমজ নিংবা, মহৈ তম্বা ফংজদবশিংগী মহৈশঙ হাংনবা হোৎনবদা য়াম্না মরুওইবা মীশক ওইখি। লৈঙাকলোন্দসু থোইদোকপা মীশক অমনি। লোকেল পোলিটিকেল পার্টি শেমদুনা ইহৌ চঙশিনখি। কুমসীং ১৯৪৯ মণিপুরনা ভারত্তা তিনবদা য়ানিংদবা ইহৌ শাগৎখিবদসু মহাক অমনি। মসিগীদমক জেলদা ফাদোক কয়ারক তাখি। রিভোলুসন্নরি নেস্নেলিষ্ট পার্টি ওফ মণিপুর হায়বা অমা লীংখৎতুনা মদুগী প্রসিডেন্ট মহাক্লা ওইখি। মতম অদুগী লৈঙাক্কী মায়োক্ত থবক তৌই হায়দুনা মহাক্পু অৱাফমদা হেক হেক তাহনবীদুনা খুদোংথিবা কয়া অমসু মায়োক্লখি। অহল ইবুংঙো অসিদগী তমজনিংবা অমনা, 'মেন ওফ প্রিন্সিপাল ' ঙাক্লা চৎপা অসিনি। লাইরেলনা ৱাশক ঙাকপদা লফু মথক কাদুনা শিখি হায়নবা অদুমক মহাকসু অমনি। মহাক্লা রাজনিতি য়াওরকপা মতমদা মশাগী কান্নবা ফংনবগীদমক খুদোংচাবা ফংঙি হায়দুনা কান্নবা খক লৌখিদে । মহাক্কী পোকমিন্নবা মনাওনুপা মতম অদুগী পার্টি অকনবা অমগী এক্টিব মেম্বরনি। মনাওনুপানা য়াওরিবা পার্টি অদু মহাক্কীদি মায় চান্নদবা, মহাকপু লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈ হায়দুনা জেলদা ঙাইহাক লৈতনা থমখিবা অমনি। অদুবু মনাও নুপানা য়াওরিবা পার্টি অদুদা অদুমক লেঙদনা য়াওরগা লৈয়ু, চোংথোক চোংশিন তৌগনু । রাজনিতি তৌবনা পার্টি অমদা থাজদুনা মিং চল্লগা য়াওরবদি মদুগী ইথিক্স ঙাক্লা চৎকদবনি। চৌক্রি পাম্বদগী নৎত্রগা মশাগী খুদোংচাবা ফংলগদি হায়দুনা অতোপ্পা অমদগী অতোপ্পা অমদা চোংশিনফদে, ৱাফম অসি হায়দুনা মনাও নুপাবু মাগী মায়োক্তা লৈবা পার্টি ওইরগসু লেঙদনা লৈনবা তাকপীখি । ৱাফম অসি মোইরাংথেম রাজেন্দ্র, ৱাংজিং তেম্থাদা লৈবা শক্লাইরবা অইবা, সোসিয়েল ৱাকর অসিনা ইবা ৱারেংদা ময়েক শেংনা পল্লি । শগোলশেম ইন্দ্রমনিনা হিংলিঙৈদা মহাক্তি রাজনিতি ৱালানি হায়ববুদি সোসিয়েল ৱাকরনি হায়বসিনা হেন্না পামখি। অসিগুম্বা মহাক্কী ফিদম্নফম ওইবা কয়াসিগী মরমদা দা. এন সনাজাওবা, প্রো. ওফ লো, গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদা লৈবীরম্বনা মহাক্কী ৱারেংদা য়াম্না মচা খায়না ইরি। করিমত্তা চিংনবা লৈতনা দা. এন সনাজাওবনা শগোলশেম ইন্দ্রমনিবু রিভোলুসন্নরি নেস্নেলিষ্ট হায়না মশক তাক্তুনা ইথোকলকই।

চাক তাঙবগী থোকখিবা নুপী লান, মীতোপ মীয়ান চঙলক্তুনা ঐখোয়গী চাকথুংদা, খুন্নাইলোংদা হোংলকপা কয়া, অনীশুবা লাঞ্জাওগী তেক কাইরবা ফিভম শোক্লবা লানগী চৈথেং নংখিবা লমদমসিগী মীয়ামদা পীফম, ফংফম থোকপা ক্ষেতিপূরন (কম্পেনসেসন) পীথোক্লবা তক্লবা, অৱা অনা নঙলবা মীয়ামগীদমক চোংথোকলুবগীদমক মহাক্কী কোলিগশিং য়ংমাসো সৈজা, আর কে মাইপাকলনা,প্রলহাদ অমদি মশামক য়াওনা অৱাফমদা তাখিবা ৱারী কয়ানা অহলইবুংঙো অসিগী পূন্সিদা লারোল নাইনা লৈরমখি। অইবা অমা ওইনসু মফম কনবীরমখি। লাইরক খর-'শাফ-শাজেন, লায়না অমসুং লায়েং,চারা হেনবা অমসুং চাবা' হায়রিবা লাইরিক অহুমসি ইদুনা ফোংবীরমখিবগী ৱা থেংনজে । অহল ইবুংঙো শগোলশেম ইন্দ্রমনিবু খঙবীখিবা লমদমসিগী মশক নাইখিবা খরনা অসুম্না মহাকপু শিংথাখিবগী মতাংদা কৈথেল্লাকপম সনাহোংবা মঙাঙনা ইবা ৱারেংদা অসুম্না ইরি- 'মাদি মী শেম্মী। থবক তৌবা ঙমগদবা মী উরবদি খক থাদোক্তে। মঙোন্দা মৈতৈ ফুরুপ্পু মশক তাক্লিংবগী অকনবা ফিল্লিং লৈ'- হৱাইবম নীলমনি। জি সি তোংব্রানা হায়-'মরৈ য়াম্না তৌগল্লি। মী তিন্নবা য়াম্না হৈ..।'' সলাম তোম্বীনা হায়-'অনৌবা মণিপুর শেমখিবশিংগী মনুংদা ইন্দ্রমনিসু অমনি। বোডি ব্যন্ডিংগী..বোক্সিংগী..মনা পুরকই..মণিপুর শেমগৎপদা, মথৌদাং ফজনা তৌখিবা নুপা অমনি ।'

মণিপুরগী মায় পুরকখিবা শাফবা নোংথোমবম মাইপাক্লা নোংমা হায়বীরকপা ৱাফম অমা নীংশিংলকই। মিষ্টর মায়পাক মিষ্টর ইন্দিয়া তাখিবা মৈতৈ মচালক্তা অরংবা থৱান মিচাক অমনি। মখোয়গী মতমদা শাফবগীদমক তাকপী তম্বীনবসি কয়া লৈখিদবা মতম্নি। ঐগ্য শুনিল মিষ্টর মাইপাক্কী গুরুনি। মিষ্টর মাইপাক্লা মতম অদুদা শান্নরুরগা হকচাং থাকখিবসি মনা মশিং পেরুক্লি। মসিগী কান্নবা পাউতাকসি অহলইবুংঙো শাগোলশেম ইন্দ্রমনি মতম অদুগী ময়ামগী শাফবগী ওঝা অসিগী পাউতাক লৈখি।

হৌজিক্তি ময়েক শেংলে । ঙল্লিঙৈ মতম অমগী ময়ামগী ওঝা ইবুংঙো, মাইকৈ তাকপীরম্বসি শগোলশেম ইন্দ্রমনিনা ওইবীরম্মী। ঙসিদি প্লুটো হায়বা থৱানমিচাক অসিনা লাপ্পা লৈখিবগুম ঐখোয়না মহাকপু থিরকপা মতমদা ঙসিদি লাপ্পা মহাকসু লৈখ্রি । ঐখোয়না অহল ইবুংঙো অসিবু খঙবা য়াম্না ৱাৎলি। মহাক্কী মরমদা থিজিন্নিংঙাই য়াম্না লৈখিগনি। খরা হেন্না চাউবা লাইরিক অমগা নহাওইরিবা স্কোলারশিংনা থিজিন্দুনা ইথোকপা মথৌ তারি। হিজম ইরাবোৎনা লময়ানবা ওইখিবগুম শগোলশেম ইন্দ্রমনিনা লমজিংবা মিংথোল পীবদা মতীক চাই খঞ্জে । ঙসি কাইনথংদা লময়ানবা ইরাবতনা মীয়ামগী ওইরকপগুম শগোলশেম ইন্দ্রমনিগী মফমসু লাকখিগনি। নৈনবীদ্রবা থিজিনবীদ্রগদি অকাউ পরৈ চন্নখিগনি। মার খোঙ্গুল লিহৌসি। 'নুংশিবা লৈনম' মিংথোনবা লাইরিক্তা মহাক্লা ইবীরম্বা 'ফিজিকেল শো খুদিংগী শকপা শৈহৌ ঈশৈ' অসিদা অসুম্না ইরি ''চেকশিল্লু পাখঙ চেকশিল্লু /শেমহৌরো হৌজিক অকনবা শক্তি।/নহাগী পাঙ্গলবু চেকশিল্লু../মীওইবা মপোক পূন্সিগী মকোক /পাখঙগী মতম অতাঙবনি অতাঙবা / ঐখোয়গী জাতি নোংশাগী শাগৈ/ নোংশা লাল্লাউ ঐখোয় পূন্না লাউরসি ।'' মখোয়গুম্বা লুচিংবা মশীং য়াম্লগতা খুন্নাই অসি চাউখৎপা ঙমগনি। ইশাগী কান্ন ফংনবগীদমক ফমফম থিগুমসি, মীনা ফিদা থাহনসি, ঐনা ফিদা থিগুমসি। ফম্নবগী ফিদা হোং হোংদুনা ফমগনু মেন ওফ প্রিন্সিপাল ঙাক্লা হিংদুনা নোংশাগী শাগৈনি মশক তাকসি হায়বা মহাক্কী ৱাংঙুলোন অসি মমল য়াম্মি ।

- *মাখোনমনি মোংসাবা*




# রাগ দরবারী-৬৬

(হান্নগী মখা...)

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

লম্বীদা মহাক্লা লঙ্গর লৈবা উরকই। রঙ্গনাথনা হায়, ''মসি মফম অসিদসু য়ৌরক্লেনে!''

লঙ্গর চুজাক পাম্বীগী মনাক্তা ফী অমা থারদুনা উইদুনা লৈরম্মী। মচিন্দসু করি-করিনো মুরুম-মুরুম শোন্দুনা লৈরম্মী। সনিচরনা হায়, ''লঙ্গর, মানা চৎপা পাম্বা মফমশিংদা অদুমক চৎপনি। য়াম্না নুংঙাইবা মীনি।''

পিক্তু শাফবা মমিং চৎপা পাউচেগী হাপখিবা ফোটোগী পোজ অমদা লাকখি। হায়বদি মহাক্কী ফোটো করিগুম্বা পাউচেদা হাপ্লবদি মদুগী মতেংনা পাউচেবু য়াম্না নুংশিজনা পাবা মীওইশিংগী মনাক্তা চৎলি। হায়ফম খঙদনা নুংঙাইবা অমা ফংবা মরমনা মহাক ময়া শাইরদুনা, মচিন কাখৎলদুনা, মমিৎ উইশিল্লদুনা মশাগী ফৈগনগী মরুওইবা শরুক্তা য়াম্না তমথিনা হাকৎচবা হোৎলম্মি। অদুগুম্বা অচৌবা মায়পাকপা অদুদা লঙ্গরনা মরম ওইদুনা অয়েৎপা খরা লাকখি। মহাক্লা লাউরদুনা হায়রকই, 'নুংঙাইথোকপা মী! ফাঁসি তৌবগী ফম্বাক্তা কারগা করিগী ফল্লিবনো। নহানসু মেজিষ্ট্রেদকসু খৎন-চৈনরগা লাকখিবা নৎত্রা? মতৌ করম্না নুংঙাইগনি?'

মখোয়সু মনাক নক্লা লাক্লম্মী, রুপ্পননা লাওরদুনা হায়, ''ওজা লঙ্গর, করি অনৌবা ঈ-পাউ লৈবগে? কোপিদি ফংলবো?''

লঙ্গরগী মুরুম-মুরুম শোল্লম্বা অদু লেপখি। মমিৎতা মখূৎনা খল্লদুনা মহাক্লা নুংশা মরক্তা য়েংলক্তুনা রুপ্পন বাবু মশক খঙলকই। অদুগা হায়রকই, ''কদাইদগী ফংগদোইনো বাপু? সোমগী লম্বী অসিদগী কোপি ফংনবগী এপ্লিকেসন সদরগী ওফিসতগী থাখ্রে অমসুং অসোমদগীনা অমুক মিসিলগী মনাক্তগী মফম অসিদা হল্লকখ্রে। অমুক হন্না নুমীৎ ১৫ চঙলগনি।''

সনিচরনা হায়, ''তারবরা, মেজিষ্ট্রেদকসু খৎন-চৈনখ্রমালে।''

''করম্বা ৱাফমনো বাপু?'' লঙ্গরগী মচিন অদু অমুক হন্না মুরুম-মুরুম শোনগদবগী খরা-খরা লেংবা হৌরকই, ''মফম অদুদা লোগী ৱা চৎনবনি, নঙনা মফম অদুদা উশিৎ থওইদনা ৱা ঙাঙবনা করি কান্নগনি?''

পিক্তু শাফবনা হঙ্গোইবা মীয়েংনা মাগী মায়কৈরোমদা য়েংলকই, অদুগা উ-ৱাশিং অমদি লমহাং অদুদা তানবগীদমক হায়রকই, ''ৱাফম অদুগী মতাংদা পাকথোক-চাওথোকপনা করি কান্নবা পুরক্কদৌরিবনো? মফম অদুদা চৎলগা লুপা ৫ কোক পীরুবা য়াদরো?''

''নঙ মদু খঙবা ঙল্লোই পিক্তু শাফবা! মদু প্রিন্সিপলগী ৱাফমনি।'' রঙ্গনাথনা মহাকপু ৱাখল তানবা হায়রম্মী।

পিক্তু শাফবনা মহাক্কী কল্লবা লেংবানদা মথৌ তাদনা য়েংলদুনা হায়, ''ৱাফম অদু ওইরবদি মখা চৎথবিয়ু।'' ৱাফম অদু হায়রদুনা য়াম্লবা মীওই লিশিং কয়া লাক্লিবশিংনা উশিংগী মরুমদা ঈশিং থাদবগী ৱাখল্লোলদা মহাকসু উরুমদা চঙশিনখি। মফম অদুগী অহাঙবা মফম অমদা মীওই অমনা তৌরল্লিবা ফীভম অদু উবদা মচিন থীরদুনা অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদা ওনশিনখিরম্মী।

পিক্তু শাফবনা হায়, ''ঐখোয় লাইনিংবগা পামজদ্রে। মফম অসিদদি শুপ্নগী অঙাংবা লঙ্গোৎ শেৎপা মীওইশিংগী মখাদা লৈবনি। লৈরিবা লাই খুদিংমক করিসু ওইনা খন্নদে।''

য়েৎনরিবা মরৈ অদু অহানবদা লাইরেম্বিগী লাইশঙদা চঙলগা লাই খুরুমসি হায়বগী মতাংদনি। পিক্তু শাফবগী ৱাফম অদুদা কনা অমত্তনা পাউখুম পীরকখিদে। কনাগুম্বা অমত্তনা মহাকপু ৱাখল তানবা হায়বিখিবসু লৈতে। পূম্নমক্লা খঙই মদুদি মহাকপু ৱাখল তানবা হায়নবগীদমক মওং অমখক লৈ মদুদি মহাকপু লৈমায় থক্তা লংথরগা মথবাক্তা কাখৎতুনা মহাক্কী শৰ্দ্ধ -শয়াং থুদেক্লবা মতুং খক্তদা মহাক ৱাখল লাক্কনি। শোমদনা পিক্তু শাফবনা মহাক লাই থাজদবা মীশক অমা নত্তে খঙহন্নবগীদমক লেপ্পদুনা মশাগী ফৈগনদা ধোলোক থিনবগুম থিনবা হৌরকই। মদুনা মহাক লাই থাজবা মীশকনি হায়না উৎপা ঙমদ্রবদা মহাক্লা ঈশৈ অমা শকপা-ঙংবা হৌরকই -

বজরংবলি, মেরি নাও চলি, জরা বল্লি কৃপা কী লগা দেনা!

অথুম-অহাও য়োনবা দুকান অমদা মখুৎ থিল্লদুনা মহাক্লা হায়, ''ঐ মফম অদুদা চৎলগা পুকতা করিগুম্বা খরা থাদুরুগে নখোয় মফম অদুদা অদুমক লাকউ।'' অদুগা মশা মথন্তা হায়জে, ''অয়ুক্তগী হৌনা চিনদা করিগুম্বা অমত্তা তাদরি। পুকসে মথক মখা ওল্লে।''

রঙ্গনাথনা ৱাফম অমা হায়খি মদুদি লাইশঙ অসি সতজুগকী মতমদা শারম্বনি। মহাক হৌরকপদগী নূং অমদা হকলম্বা ব্রাহ্মী ময়েক পানবগী মঙলান অমা মঙদুনা লৈরম্মী। অদুবু লাইশঙ অদু অরাপ্পা মফম অমদগী য়েংবদা মহাক্লা থাজখি মদুদি ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী মীওইশিংনা মতমগী মতাংদা শুপ্নগী অচুম্বা ৱাহৈ অনীখক্তমক খঙই মদুদি অনাদি অমসুং অনন্ত। মদু নত্তনা মহাক চাওরাক্লা চহী ৭৫ হেন্না লিরবা অরিবা লাইশঙ অদুবু য়াম্না লায়না গুপ্তগী মতম অমদি মৌর্য়াগী মতমনি হায়না ইন্থোক্তুনা হায়বা ঙমগনি।

লাইশঙ অদুগী মথক্তা শেল্লিবা বেলবুতোংগী মরক্তা ইরিবা, ''বনৱায়া মন্দপ মহিষাসুরমর্দিনি কা মুসম্মে ইকবালবহাদুরসিংহ ৱল্দ নরেন্দ্রবহাদুরসিংহ টখ্ত ভীখাপুর নে মিতি কার্টিক বদি দসমি সংৱত ১৯৫০ ৱিক্রমি কো।'' ইরল্লিবা অদুবু হেক রঙ্গনাথনা পারুবদা মহাক্কী লৈজরবা পুৱারীগী গ্যান নুংশিৎ মরক্তা মাঙখিবগুম তৌই।

মদু খনবা হৌনদে মদুদি ভীখাপুরগী লৈঙাকপু সিতারা নৎত্রগা পুনাগী লৈঙাক্লি হায়না। অৱধকী জমিন্দার লাখ কয়াগী য়ূম মতৌ অসুম্না মশীং থিঙমদনা অতেক-অকায় কয়া তাদুনা লৈরমখি। মদুদা চৎতুনা হলৱাহোং অমা-অনী হোলি অমদি দশহারাগী মতমদা ইকাইখুম্নবা চৎলমগনি। লাইশঙ অদুদা থাদরিবা শেল অদু উরগা রঙ্গনাথনা খঙবা ঙমখ্রে মদুদি মফম অসিসু অদুগুল্লবা লাখ কয়াগী মরক্তগী মসিসু অমনি। লাইশঙ অদুগী বিল্ডিং অদুসু অরিবা লাইশঙ অমগুম চপ মান্নে। লাইশঙ অদুদা কা অমা লৈরম্মী, কা অদুদা শুপ্নগী থোঙ অমখক পাল্লম্মী। মনুংগী ফক্লাংশিংদা মায়কৈ মরিদা ৱার্দরোব তৌনা শেল্লম্মী। মদুদা মখল-মখা কয়াগী লাইশিং লৈনবগী মফমসু লৈরম্মী । -মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।